## মরিশুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট

# টেকচম (এ) অমদি এক্স ফিটনেস ক্বার্টর চঙখ্রে






এক্স ফিটনেস পোলো টিম অমদি ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবনা শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ

*ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ* টেকচম পোলো ক্লব (এ) অমদি এক্স ফিটনেস পোলো টিম ৱাঙ্খ্রেসু মরিশুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। হয়েং নুংথিলগী পুং ২ দা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সিজন অসিগী ওইনা অহুমলক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা খুরাই পোলো ক্লবকা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি)গা শান্নগনি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব নোংমৈবুংগা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ)গা নুংথিলগী পুং ৩ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

মণিপুর হোর্স রাইদিং এণ্ড পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টেকচম পোলো ক্লব (এ)না থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লব (এ)বু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। টেকচম পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু কে ঐচ তোম্বীনা ৩ অমদি এম মনিহার সিংহনা অনী চনখিবনি।

কে ঐচ তোম্বীগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রগী ৪.১৬, ৪.৪৪ সেকেন্দদা ২ অমসুং মরিশুবা চক্রগী ৫.২১ সেকেন্দদা অমা চনখিবনি। মনিহারগী পাঞ্জলশিং অদুনা অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্রগী ৫.৩৮ অমসুং ৫.১১ সেকেন্দদা চনখিবনি। থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অহুম অদুনা পি প্রেমজিৎনা ২ অমদি ও চিংলেনসনানা অমা চনখিবনি। প্রেমজিৎকী পাঞ্জল ২ অদু অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্রগী ৪.৩৪ অমসুং ১.০৮ সেকেন্দদা চনখিবনি। চিংলেনসনাগী পাঞ্জল অদুনা অহুমশুবা চক্রগী ২.০২ সেকেন্দদা চনখিবনি।

অহানবা চক্র লোয়বদা টেকচম্না পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা চক্রদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমমম চন্নরবসু টেকচম্না মখা তানা পাঞ্জল ৩–১ দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা চক্রদসু টিম অনীনা পাঞ্জল অমমম চন্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু টেকচম্না ৫–৩ দা মায় পাকখি। টেকচমগী শান্নরোইশিংদি এম মনিহার, এম দোরেন, কে ঐচ তোম্বী, টি ঐচ কাওবা, ও রোজর অমদি এম মোচা সিংহনি। থাংমৈবন্দগী শান্নরোইশিংদি ও চিংলেনসনা, পি প্রেমজিৎ, এম দেবনাথ, আর কে মঙালসনা অমদি এম চাওবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এক্স ফিটনেস পোলো টিম্না ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭–১ দা চাওনা মায়থীবা পীখি। এক্স ফিটনেসকী পাঞ্জলশিং অদু সমানন্দনা ৩ অমদি জেকোবনা ৪ চনখিবনি। ইবুধৌ থাংজিংগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা কে রিসিকুমারনা চনখিবনি।

টি ঐচ জেকোপকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রগী ৫০ সেকেন্দ, ২.১০ অমদি ৪.২৫ সেকেন্দদা অহুম, অহুমশুবা চক্রগী ২.১৭ সেকেন্দদা অমা চনখিবনি। সমানন্দগী পাঞ্জল ৩ অদুনা অনীশুবা চক্রগী ২.৫৪, ৪.২২ অমদি ৫.২৬ সেকেন্দদা চনখিবনি। ইবুধৌ থাংজিংগী কে রিসিকুমারগী পাঞ্জল অদুনা মরিশুবা চক্রগী ১.৫৫ সেকেন্দদা চনখিবনি।

অনীশুবা চক্র লোয়বা ফাওবদা এক্স ফিটনেসনা পাঞ্জল ৬–০দা চাওনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অহুমশুবা চক্রদা এক্স ফিটনেসনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৭–০ দা লৈখিবগা লোয়ননা মায় পাকপা য়াবগী ফিভমদা লৈখি।

এক্স ফিটনেসকী শান্নরোইশিংদি টি ঐচ জেকোপ, কে শ্যামানন্দ, এন ফিলিপ, এল তোলোমখোম্বা অমদি ঐচ কান্তনি। ইবুধৌ থাংজিংগী শান্নরোইশিংদি এ কে ওপেন্দ্রো, ও সুরেশ, এল প্রেমজিৎ, এস অরুনকুমার, পি অবুং অমদি কে রিশিকুমারনি।

## বোদি বিল্ডিং টিম হায়দ্রবাদ পাঙখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ* স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অন্দ্র প্রদেশ ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, হায়দ্রাবাদতা থা অসিগী ২৯ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫২ শুবা জুনিয়র নেস্লেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী মীওই ১৯ না শাবা বোদি বিল্ডিং টিম ঙসি হায়দ্রাবাদকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।


বোদি বিল্ডরশিং অদুদি কে জি ৫৫ গীদা ৱার্ল্ড জিম য়াইস্কুলগী এস নাওচা, বি বি সি জিম ৱাঙ্খেগী এল গোপেশ্বর, কে জি ৬০ গীদা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংগী এস রত্নাসাগর, কে জি ৬৫ গীদা য়োগা ফিজিক জিম উরিপোক্কী কে ঐচ দোরেন্দ্রো, বি বি সি জিম ৱাঙ্খেগী এ মালেমলেম্বা, কে জি ৭০ গীদা কে বি বি টি সি ককচিংগী এম থোইবা, পাইওনিয়ার্স জিম থম্বালখোংগী সি ঐচ দিপক অমদি কে জি ৭৫ গীদা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংগী এ শুশিল কুমারনি। টিম ওফিসিয়েলশিং অদুদি ও প্রেমকুমার (কোচ), এ কে মনিতোন (এসিস্টেন্ট কোচ) অমদি এল দোলেশ্বর (মেনেজরনি)।

## চয়েৎনবদগী অহানবা মেটচ শান্নখিদ্রে, ইন্দিবর মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ* টি ঐচ বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমি তাওবুংখোক গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জ ২০১৪গী ঙসি শান্নগদবা টোর্গ এফ সি অমদি এক্কা দিয়ুগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ চয়েৎনবা লৈবদগী শান্নখিদ্রে। মেটচ অসি হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

অনীশুবা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিবরনা ইম্ফাল হোস্পিটালবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। ইন্দিবরগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু বোর্নাদনা ২৯ অমদি ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ইন্দিবরগী রিশিকান্ত অমদি য়ুনুস্তা রেফরিনা ৩২ অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১২.৩০ দা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা এ এফ সিগা ক্লাসিক হোটেলগা অমদি নুংথিল পুং ২ দা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ব্লেক বেরিগা সিটি হোস্পিটালগা শান্নগনি।



## মণিপুর পুলিসনা ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ* মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ৱিন্নর ওইখ্রে। য়াইরিপোক খোইরোম য়ুঠ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২২ দগী চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন (এ) থৌবালবু ষ্ট্রেট সেটতা ৩–০ (৩১–২১, ২৫–১৮, ১৩–২৫, ২৫–১৯)দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নর্স অপ ওইখ্রে।

## সেমি ফাইনেল ঙসি শান্নরগনি

*ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ* এল ৱাই এস এস য়ুনা শিন্দুনা লিলোং কোনুং লম্পাক্তা চথরিবা ২ শুবা এল ৱাই এস এস য়ু জুনিয়র বোইজ ইনভিটেসন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৪গী সেমি ফাইনেল মেটচশিং হয়েং শান্নরগনি। অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা এল ৱাই দি য়ু (এ) লিলোংগা এল সি দি সি লিলোং চজিং মমাং লৈকাইগা অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচনা নুংথিল পুং ৩ দা এল ৱাই দি য়ু (বি)গা এন এফ সি নরানকোঞ্জিলগা শান্নগনি।

## কেম্প হৌখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ* আসাম রাইফল্স মহৈরোয় ৫০ না শরুক য়াদুনা নুমিৎ ৪ নিগী ওইবা এদভেঞ্চর কেম্প ঙসিদগী মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং ইনষ্টিট্যুট কমপ্লেক্স লমদানদা হৌখ্রে। ৭ শুবা আসাম রাইফলসকী কমান্দি ওফিসার কর্নেল দি বি টিঙ্গরনা কেম্প অদু হৌদোকখি।

## ভৈগ্যচন্দ্র মেমোরিয়েল ইনভিটেসন ফুটবোল

# নিসা মায় পাক্লবসু সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রে






নিসানা ফংখিবা কোর্নর কিক্তা মখোয়গী ষ্ট্রাইকর অমদি হেদ্দিং তৌদুনা টুগপুগী মায়োক্তা গোল এটেম্প তৌখিবা

*ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাউ) গ্রাউন্দদা টিম ৭ না গ্রুপ ২ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা ডাঃ এল ভৈগ্যচন্দ্র মেমোরিয়েল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী অরোইবা লীগ মেটচতা নিসা থাংমৈবন্দনা টুগপু নম্বোলবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরবসু সেমি ফাইনেল চঙবদি ঙমহৌখিদ্রে।

মেটচ অসিগী ফলনা এফ সি খঙলাইনা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর অমদি টুগপুনা রন্নর ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। এফ সি খঙলাই, টুগপু অমদি নিসানা পুন্না পোইন্ট ৬ / ৬ ফংনখি অদুবু গোল দিফরেন্সকী মতুং ইন্না মকোক মথং খনখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা নিসানা টুগপুবু গোল ২ হেন্না মায় পাক্লবদি রন্নর ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙবগী খুদোংচাবা লৈরম্বনি। অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা নিসাগী শান্নরোই ২ অমদি টুগপুগী শান্নরোই ১ রেদ কার্দ পীদুনা মেটচ অদুদগী তাম্থোকখি।

অহানবা হাল্ফ ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। নিসাগী অহানবা গোল অদু মাইকেলনা গোল এটেম্প তৌখিবা বোল অমা টুগপুগী দিফেন্দর ঐচ অনিকুমারনা ক্লিয়র তৌনবা হোৎনবদা শোয়বদগী নেট মনুংদা চঙখিবদগী চনখিবনি।

অনীশুবা মায় পাকপগী গোল অদুনা এন জিমিনা পিরকপা পাস্তা গোলমৈনা ৬৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টুগপুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পেনাল্টিদা জি এম্বোনি কবুইনা ৭৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। পেনাল্টি অদু টুগপুগী থিরেননা ৭১ শুবা মিনিটতা গোল এটেম্প তৌখিবা বোল অমা নিসাগী দিফেন্দর এন জি সোনানা বোল অদু ক্লিয়র তৌননবা হোৎনবদা অতম্নবা মখুৎনা ফারুবগীদমক পীখিবনি। মঙোন্দা য়েল্লো কার্দ অমসু পীখি। কে ঐচ রঞ্জিৎ, এস লোকেন্দ্রো, এস ওনিল অমদি টি ঐচ রঘুনা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখি।

| GROUP (A) - POINT TABLE | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| TEAMS | P | W | D | L | GA | GF | GD | Pt |
| FC KHANGLAI | 3 | 2 | 0 | 1 | 8 | 2 | 6 | 6 |
| TRUGPU | 3 | 2 | 0 | 1 | 6 | 5 | 1 | 6 |
| NISA | 3 | 2 | 0 | 1 | 4 | 3 | 1 | 6 |
| YDO | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 10 | -10 | 0 |

| GROUP (B) - POINT TABLE | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| TEAMS | P | W | D | L | GA | GF | GD | Pt |
| TRAU | 2 | 2 | 0 | 0 | 4 | 0 | 4 | 6 |
| SSU | 2 | 1 | 0 | 1 | 6 | 3 | 3 | 3 |
| NEROCA | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 7 | -7 | 0 |

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৭ কী নুংথিল পুং ১.৩০ দা গ্রুপ (এ)গী ৱিন্নর এফ সি খঙলাই সাইখুলগা গ্রুপ (বি)গী রন্নর এস এস য়ু শিংজমৈগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচনা তাং ২৮ গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা গ্রুপ (বি)গী ৱিন্নর ট্রাউ ক্বাকৈথেলগা গ্রুপ (এ)গী রন্নর টুগপু নম্বোলগা শান্নগনি।

# মণিপুর বিহারগী মখুৎতা মায়থীহৌবদগী রন্নর্স অপ তাহৌরে




*ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ* ঝারখন্দগী রাঞ্চিদা চথরকপা বি সি সি আই য়ু–১৬ এসোসিয়েট অমদি এফিলিয়েটেদ মেম্বর্স ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর বিহারগী মখুৎতা ৱিকেট ৮ দা চাওনা মায়থীহৌদুনা চেম্পিয়নগী মঙলান অদু কায়দুনা রন্নর্স অপ তাহৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি গ্রুপ লীগকী মেটচতদি মণিপুরনা বিহারবু মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদু বিহারনা টোস ঙম্লবসু হান্না ফিল্ডিং খনখি। মণিপুরনা অহানবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩৫.৫ তা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ১০৮ লৌখি। ইনিংস অদুদা জোনিনা বোল ৩৮ দা রন ৩২, জোন্সননা বোল ২৮ দা রন ১৩, দিপুনা বোল ১৮ দা নোট আউট ওইরগা রন ১২, বিক্রমজিৎনা বোল ৩৯ দা রন ১০ অমদি জেমসননা বোল ১২ দা রন ১০ লৌখি।

বিহারনা মণিপুরনা থম্লমখিবা টার্গেট রন ১০৯ গী পাউখুম পীননবা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা য়াম্না লায়না ওভর ২১.২ দা শুপ্নতগী ৱিকেট ২ খক আউট ওইরগা টার্গেট রন অদু লৌদুনা ৱিকেট ৮ দা চাওনা মায় পাকখিবনি।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*